

*“পেনাগী অশৈবশিংগী অঙকপা কল্পনাগী শক্তি অমদি - মীওইপোক, মহৌশা লাইরেম্বী, শকখঙনৈ, ৱারী শানহল্লি (মরোল থোক্রুবসু)।”*

*- এলাংবম নীলকান্ত*

*(হিজম গুনগী তোনু লাইজিংলেম্বী শৈথারোলগী মরমদা ইবদা)*

## তাইবঙ মী

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

চৎলি ঐ ঙসি মফম অমদগী অমদা
অহিংবা মী অমা ওইনা।
য়েংলুই মফম অমদা, য়াওরুই অতোপ্পা
মফম অমদসু
হিংলিঙৈ লৈগনি ঐগী মফম কয়া কয়া
মাঙখিগনি নোংমদি
ঙসিগী তাইবঙপান অসিদগী।
মুৎখিগনি ইফমদগী অনৌবা আশা,
অনৌবা ৱাখল পূন্নমক হোংখিগনি
অনৌবা মপোক অমদা।
ঐগী ইমা, ঐগী ইপা, ইচা
লোইনমক মাঙখিগনি।
ঐখোয়না শেম্বা চৎনা-কাঙলোন কয়া
অসিগী মরক অসিদা চৎলি ঐ ঙসিসু
অহিংবা মী অমা ওইনা।
তূমদনা মঙ মঙলী ঐ
হিংলি অহিংবা মরক অসিদা
ঐগী ৱাখল, পূক্লিং মখোয়গা লোয়ননা চৎলি।
ঐগী ৱাখলদা ফাওরক্লিবা
মমাঙঙৈ নোংমগী থৌদোক অদু
ঙরাংদগী থৌদোক অমগুম
শৈফম অমদা থৌদোক অমদা
মসিবু অহিংবা নৎতবরা?
ঐনা চৎলি মফম অমদগী মফম অমদা
অহিংবা মী ওইনা।
থোঙবাদা পায়দুনা হাংদোক্লুই
অহিংবা মিত্তম ওইনা লেপ্তুনা য়েংথোকলুই
হৈপাল লৈপালশিংদা
নুংশিরবা হৈনম-লৈনম ফাওরকখি।
ঐ হিংলি ঐ চৎলি অহিংবা মী ওইনা
অহিংবা মরক অসিদা।

## থৌনা

**—জিতেন ওইনাম্বা**

নোং য়ুবা খাঙপোক্তা
পুন্সি থুপ্তুনা হিংবা
চোৎকদবদি নত্তে কুম-চুপ্পা।
চু-খৈ চুরল্লবসু
অতিয়াবু লংহল্লমদুনা
অদুমক লোইখিগনি
নোংজু পন্থা।
অৱাবনা জুবাকুশুম অথোনবগুম থোল্লক্লবসু
খোঙফমদু চেৎনা লেপ্পু
তুথরক্তনবা,
কেনখিগনি শোয়দনা পুন্সি লৈখোক্তগী।
পাত্তা কুমদুনা লোঙ খোল্লম্বা তোম্বনা
ৱাবনা খাঙবা ঙমদ্রে খন্দুনা
ঈরোন্নুংদা চোংথদুনা য়াইবী থৱায় থাখ্রবদি
কনানা শোন্নগনি মহাকপু
থৌনা ফবনি।
চীংনুং-মানুংদা চত্তুনা শীং চল্লম্বা চাউবসু
ৱাবনা খাঙবা ঙমদ্রে হায়দুনা
মোংবা মরানয়াইদা হল্লক্ত্রবদি
কনানা শীংথানগনি মাবু
থৌনা ফবনি।
হৌরিবা উপাল-ৱাপালশিংসে
শারবা কালেনগী মৈশা খাঙবা ঙমদ্রে হায়দবনি।
ঈপাক ঈরেলদা থৎলিবা
কনখ্রবা লাঙমিৎশিং
ফোয়দত্তুনা লাম্হোরক্লবদি
কৌরোইদবগী মরম লৈতে
থৌনা ফবা।
তিংখং-তুম্নৌ ঙাক্তা হৌবা মফমদুদা
চৎপদা
খোঙয়া অদু ঈহিং-নায়হিং শাবমখৈ
থিন্দৎলবসু
চৎপনবু লেপত্রবদি
য়ৌরক্কনি
নুংশিবা হৈনম-লৈনম্না য়েল্লিবা
লৈকোলদুদা।

## কনানো নঙবু?

**—রামেশ্বর লাইশ্রম**

নোংনা ফূদিৎ ফূনা চুররিবা
নাল্ল লম্বী লৈখোম মরকসিদা
চেৎল ৱাশক্কী খোঙফমদা
খোঙবী ময়ায় লূক্ল লেপলিবী,
কনানো নঙবু ?
অখাক অরাওগী নোংথাং কূপ্লিবা,
চীংলোন মাপনগী অহিংসিদা
কুমজা কয়া খোমলেন তূমখুল হুন্দুনা
নরৈবাক নরমদমগীদমক মঙ মঙলিবী,
কনানো নঙবু?
শকখঙদবা লৈকোলগী
শকখঙদবা লৈরাং ওই
শূক্ল চীংগী নাপোমদা
লৈরাং নাইতোম শাৎলিবী
কনানো নঙবু?

## নুংশি ’সিমতং হায়বিরম্মু

**—থোকচোম রবিচন্দ্র**

য়েন্দাই থন্না হাপ্তুনা
মকা লাল্লবা নঙগী মায়থোঙবু
মোমোন নোক্লা মপূগী খুয়াদা
চবুন চবুন কৎনরি।
নঙবু হেকপা নুমিত্তো, নোকমি নোকমি
আশাগী নুংঙাই মঙলান্দা,
কাউরুরি পলেম পম্হৌ কায়ননি
নঙগী পরেংনা শেল্লি নুংশিবগী লৈপুন।
নঙগী লৈনমদা ঙাউদুনা
নঙগী লৈহিদা লুপ্তুনা
মাঙ থানা নুংশিৎকী, অঙাউবগী মতৌগুম
কোয়পাই পাইরি ননাক্তা
ওইরি লৈতেং, লৈকোল মাগী
শেল্লি মহৌশা।
য়েন্দাই থন্না হেকচরোই
শুপ্পগী লৈরাং অমতং হেকচগে
শীন্থা য়াম্বী নহাক্লি, অনী শুনা মাঙহঞ্জরোই
নত্তে মন্দিরদা পুনবা, নত্তে লৈনম লৌনবা
নত্তেদো নাচোম শেম্নবসু
মালং মঙোন্দসু পাউজেল্লোই
চান্নবীগী মকাদা ইখূৎমক্লা শীন্নজগে।
নুংশিবগী পন্থুং মশীং লাকঙমদা নঙনা শেমখিবদাই
ঐগীদমকসু নুংশিবগী পাউজেল ’সিমতং
নঙনা চান্নবীগী মকাদা য়ৌহনবীয়ুকো
থোৎলবী নঙগী লৈকাদা
চল্লবা থম্মোয়শিংবু উহনবীয়ু
নঙগী লৈনম্না নুংশিবীগী থম্মোয় লকাদা
মালং ওইনা শিৎপীরু
তম্বীরম্মু মাতবু ঐনা নুংশিজৈ।
নঙগী নঙালদা মালেম্মু ফজৈ
অসুক নীংথিজৈ খঙহনবগুম
নঙগী নঙালনা মাবু নুংশিজৈ।
সিমতং খঙহনবীয়ু
লৈরাং নঙগী লমনবু
মীওই পোকসিনা কাউজরোই।

## কোকপীয়ু ইরান

**—লাইশ্রম বিসেশ্বর**

অরানবা মাঙননবা থম্মোয় শোক্লবা শিল্লুবা
ঙাকপীবা ঙম্মগদ্রা নহাক্লা মতম চুপ্পা।
অরোইবা মিৎকুপসিদদি মোনখাংনগদৌরি
নতম্বাক্তা
লংজখিবা ইরালসে কোকপীবা ঙমবিরদ্রা?
শিরবা তুং ফাওবা পুখিবা তারি পাপসে
হয়েংমুক্কী মপোক্তা অফবা মপোক ফংগদ্রা?
লংজরুবা ইরাল কোকপীরদ্রা?
থাজদে থাজদে মরালনা মপোৎ ফারবনি
ইরালসিগী চৈরাক ফংবা তাবনি
হে পলেম অপোকপী নুংশিবী
থৌজালগী মিৎয়েংনা চামথোকপীয়ুকো!
পংলবা মপোকসে নুংশি ইরিক খিকপীয়ুকো!
অরোইবা তাঞ্জাসিদা ঐহাকপু
য়াইফকোন্দা চিংশিনবীয়ুকো নহাক্লা।
লংজরুবা ইরাল কয়াসে শেংবিদুনা।

## মী তাখিনি

**—থোকচোম থম্বালঅঙৌ**

অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎনখ্রে
ফূদ সেক্যুরিটি এক্ট-
চেঙ কেজি অমদা
লুপা অহুম/অহুমদা
লায়রবা মীচম মীয়ামশিংদা
এ এ ৱাই, বি পি এল অমসুং
এ পি এলনচিংবদা
অদুবু মণিপুরদদি চৎনবা ঙমদ্রি
মী তাখিনি।
অতোপ্পা ষ্টেটতা জোব কার্দ
হোল্ডরশিংনা চহী অমদা
নুমিৎ ১৫০ নি থবক শুই
অদুগা মণিপুরদনা শুদে
মী তাখিনি।
অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎন-থক্লবা
পোৎতা পোৎয়ান তৌবদা
পোৎয়ান তৌরিবা মীদু ফারগা
জেলদা থম্মী অদুগা
মণিপুরদনা পোৎয়ান তৌরিবা
মীবু ফারুবদা, ফারুরিবা মীদুবু
ওইনা জেলদা থাজিল্লি
মী তাখিনি।
অতোপ্পা ষ্টেটতা মীয়ামগী ঈহৌদা
মকোক চিংবদো থাগৎনৈ অদুগা
মণিপুরদনা ৱান্টেদ লাউথোকই
মী তাখিনি ইকায়জৈ।

## মতম মতম

**—নির্মলা রাজকুমারী**

নঙনা থেংনরি পুন্সিদা
অৱাবা কয়া নুংঙাইবা কয়া
নোক্লি কপ্লি মতম মতমগী
নঙনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা শেম শাও
অদুগা মদু থেঙননবা হোৎনৌ
নঙনা য়োৎফান ওইবা মতমদা খাঙউ
নঙনা নুংথং ওইবা মতমদা য়ৈয়ু।

# মমল নাইদ্রবা খুদোল

## (নুংশিবা হায়বসি য়াম্না শেংবা পোৎশক অমনি উৎলিবা নোভেল অমা)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | মমল নাইদ্রবা খুদোল |
| মখল | ঃ | নোভেল |
| অইবা | ঃ | নহাকপম বিরেন সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী সাহিত্য প্রচারক সভা, ৱাংজিং |




**পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা**

**খোরিরোলদা** নোংপোক নোংচুপ চপ মান্নবা ৱাফম অমখক লৈ, মদুদি নুংশিবা। কবিসু, অইবসু, ক্রিটিকসু নুংশিববু হুলান্না লৌবদি কনাসু লৈত্রি। নুংশিবগী থিম অসিদা ইরিবা নোভেল, দ্রামা, ঈশৈ-নোংমাই, শৈরেং ঙসি মশীং থীবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। অদুনা নুংশিবা হেক লৌথোকখিবদা, খোরিরোল হিংহৌবা ঙমগদবা মান্দে। অদুমক্লা ইংরাজি কবি, রোবার্ট ব্রীজেসনা হায়, "Love, from whom the world begun/Hath the secret of the sun/Love can tell, and love alone/whence the million stars were strewn." কয়াদা ৱাংনা নুংশিববু মানা থাঙ্গৎলমখ্রবা। মাদ নত্তে, ডি জি রোসেটিনসু অদুম হায়রম্মী, "Love is the last relay and ultimate outpost of eternity." মাগী ৱাফমসিনা তাক্লি, ‘নুংশিবা’ হায়বসি য়ৌরকপদা তাইবঙগী খূথাং লমজেল লোইরে, অদুগা লোম্নাইদ্রবা মপোক্তু য়ৌবগী অরোইবা খোঙফম ওইরি। হায়রিবশিংসি অমতা লান্দবা ৱাফমনি। নুংশিবা লৈত্রবা তাইবঙ ঐখোয় খনবা ঙমদে, মসিবু মরৈত্রবা তাইবঙ মচোই মচোই তাগনি। অদুমক্লা ঙসিগী মালেম অসিনা নুংশিনবা য়াওদ্রবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তানরক্ত্রবা মতমসিদা W.B. Yeats না য়াম্না নীংঙমদনা ইরকই, "All things fall apart, the Centre cannot hold." অমুকসু ইংরাজি নুপী কবি অফ্রা বেহলনা নুংশিবগীদমক শিবা নাবা খঙনদনা নুপা নুপী কয়ানা ঙাওনরিবা অদু শৈথাদুনা ইরম্মী, "Love in fantastic triumph sat/ whilst bleeding hearts around him flowed." কয়াদা চুম্না শৈথারমখ্রবা।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী ৱাফমদি ঙসি পায়খৎচরিবা নোভেল মচা অসি ওন্থোক্লা ফজনা নুংশিবগী মঙল শৈথারমখ্রে। নুংশিবা হায়বসি পৈশানা লৈবা ঙমদে, নুংশিববু পাম্মুবনা মহুৎ শিনবা য়াদে, নুংশিবদি পোৎয়ান য়াওবা য়াদ্রবা শেংখ্রবা পোৎশক অমনি। অদুগী মথক্তা তেংবানববু মুৎনাই-খন্নাইদবা ওইনা লৈননবা তেংবানবা মপুনা মীওইবগী থম্মোয়দা হাপ্পিরকপা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি হায়রি। মসি পূন্নমকসি হায়রিবনা অইবা নহাকপম বিরেননি। অইবা অসি অমুক নৌনা মশক তাক্লুদ্রবসু য়ারে খল্লি। মশাগী লাইরিক ৯ ফোঙলবা কবিনি, ৱারীমচা ইবনি। অদুগী মথক্তা রেডিও-প্লে কয়া খুদোল তৌখ্রবা অইবনি। হন্দক্লা নোভেল মচা অসিমা খুদোল তৌরক্তুনা মশাগী মশক শেংনা তাক্লক্লিবা ৱাংজিং মায়কৈগী মাঙজিন থারিবা অইবনি। মাবু তরাম্না ওকফম থোকই। অদুমক্লা সুম পারুবনি মাগী নোভেল অসি। অদুবু হেক পারুবদগী তোক্লিংদবা ফাওরকই। ইথা থাজদনা প্লোট শেম্বা হৈবগী মশক উরকই। ইচম চম্বা থৌদোক্লা ৱারীগী শাহৌ পীরল্লগা অসুম অসুম লুশিলহল্লকই। মতমসিগী মিহুল ফজনা খঙনা থিম অমা পায়খৎলকই। শেল লৈরগা লোইরে খনবা ইমুং অমগা মীওইবনা হিংবদা চঙলিবদি শেল নত্তে, নুংশিনবনি খনবা ইমুং অমগা হেক মায়োক্লরকই। সেটিংনা ৱাবগাই লমদমগী ৱা ওইরকই। ওন্থোক্লা রিয়েলিটি লৈখ্রে। হেক্তা থোক্লমগদবা মাল্লকই। মতমদি ঙসিমক্কী নত্তে। খরা ঙল্লিঙৈ, গৌহাটিগী কটন কলেজদা মণিপুরী মচা নুপা নুপী কয়া তম্বা চৎনরিঙৈগী ৱারীনি। গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিনা ঐখোয়গী ওইনা খল্লিঙৈ মতমগীনি।

হেক হৌবদা মতমদুগী ইচম চম্বা পাখঙ লৈশাবীগী ইঙাও ঙাওজবা মশক্তু উৎলি। তুরেল ৱাংমা ৱাংমা লৈনবা পাখঙ লৈশাবী অনীনি। সুরেন অমদি সরজু। মমান্নবনা ইনশিনবদগী সুরেন্না সরজুদা নুংশিজৈ হায়না চিঠি অমা থাখিবনি। মদুগী পাউখুম লাক্ত্রবদা মতোমতা ইকাইরক্তুনা ঐ লানখ্রে হায়না অমুক ইখিবনি। অদুবু থাজরুদনা সরজুদগী নুংশিবা ৱাহৈনা, মাসু নুংশি হায়না হল্লকপনি। মদুনা ৱারীগী পো কাঙবা হৌবনি। মখাদি কনফ্লিক্ট, ক্রাইসিস মথঙ মথঙনি। অইবনা প্রোটাগোনিষ্ট সুরেনগী লমচৎ ফজনা য়েল্লকই। লেপখিবদা হোংদবা, নুংশিবদি তৌশিন্নবা য়াদে, অশেংবা প্রেমিক ওইগদবনি হায়বা ৱাফমদা থাজজবা মীনি। মানা সরজুগীদমক তুরেল ঈচাউলক্তা ইরোইদুনা লানখি। চিঠী ইবদা মশাগী ঈনা পরেং হৌখি। অদুগী মথক্তা মশাগী খুবী লেনথৎতুনা ঈ লৌরগা সরজুগী লাইবক্তা নমখি। খম্বল চাউবা হায়বসি নুংশিবগী অয়ৌবা থাক্লি খঞ্জবা সুরেন্না সরজুবু লাপ্না থম্বা পামখিদে, উদ্রগা লৈফম খঙখিদে, অদুনা মানা চৎলসি হায়না মখূৎ চিংলুই। অদুবু অৱাবদি সরজুনা মাগুম নুংশিবদা থবৎ তৎপী নুপী ওইরমদে। শেলদবু মিহৌবা, শেন্না ঙমদবা লৈতে খঞ্জবা মমা সখীনা থমায়বীরবী ওইরমখি। অদুনা সরজুগী ইমুংনা লায়রবা সুরেনগী ইমুং পামদে। অদুগা সুরেনগী ইমুংনসু সরজুগী ইমুংবু পামদে। ৱারীগী ক্লাইমেক্স তাল্লকপদা অইবনা ফজনা সিচুএসন অমা শেল্লকই। নোংমা সুরেন সরজুগী কাদা থোঙ লোনশিল্লগা ৱারী শাহল্লি। লাপ্পদবা লমনিনা মরম অদুম চাহল্লি। চেল্লসি হায়না মখূৎ চিংনবদা তুমিন্নৈ, তুমিন্নরবনিনা সুরেন্না সরজুবু কোনজবগী তাঞ্জা ফংখি। মখাদি সস্পেন্সতা থমখি। তাঞ্জাদুদা সরজুগী মপা লাক্তুনা থোঙ থীল্লকই। অদুদগীদি থোঙ হাংলুবদা শাউমনখিবনা মরিংগী থাংজৌ পায়দুনা সুরেনবু হাৎলগে হোৎনরকই। সরজুগী মখুরাশিংনা খামদুনা থাঙ মুন্নৈ, সরজুগী মবোক্লা সুরেন থিন্দোরকই। ওন্থোক্লা ফজখ্রে, ওন্থোক্লা কলম মচিন থৌনা য়েকখ্রে থৌদোক্তু, অপাবা খুদিং স্বর হোনবা কাউগনি খল্লি।

অদুগী মতুংদি মশানা তাব ফল ঙাইবা মতাং য়ৌরে। সুরেন লাইরিক্তা মায় ওনশিনখ্রে। বি এ ঙম্লে, এম এ তম্বা গৌহাটিদা চৎখ্রে। সরজুগী ৱা নাথৈদুনা থমখ্রে। মানা অরোইবা ওইনা লাইরিক তম্বা চৎলমদাইদা চিঠী অমতং ইরম্মী, মদুদা মাগী ৱা অরোইবা উৎলম্মী, “ঐগী নুংশি হিরেন্দু লুপখিবা ঈরোন্নুংদুদা অমুক হন্না থিবা লাক্লরোই।” কয়াদা নুং কনখ্রবা লমচৎ অমনো। নুপা থোকপা ফিরেপনি। অমরোমদা সরজুদি কমদৌরি। মমাগী পূংলোন্দা জগোয় শাখ্রে। ক্লাস টুয়েল্ভ তন্নিবা মানা মমাগী মতুং ইন্দুনা রাজস্থান্দগী লাকপা জৈইন অমগী ইমুংদা চঙলুরে। খঙন-চান্নবা ললোনমিন্নবগী মিংদা। জৈইন অদুগী মচানুপানা কোয়বা পুবদা থেঙনা হল্লকপদগী চেনবা ওনখ্রে। লুহোংবা নুমিত্তনা বর অদু লাকপীদ্রে। মরম্না জৈইন পাখঙ অদু লুহোংলবা নুপী লৈরবা অমা ওইরল্লে। মাগী নুপীনা রাজস্থান্দা লৈহৌরি। পাউ তাবদগী মাগী নুপীনা পুলিস তাক্তুনা বর অদু ফাখ্রে। লুহোংবা কায়খ্রে। অদুদি মাবু কনানা লৌবিনি। ময়াং অমদা নুমিদাং অমা চেল্লুরবা সরজু মাঙজবা নত্তনা করি মহয় চাগনি। অদুবু অইবনা অপাবশিং আশা কায়হন্দে। সরজু জৈইন পাখঙ অদুগা তূম্মিন্নরক্তে, মচল অমগা তূমিন্নরকখি। মশা শোকহল্লক্তে। অদুবু খুন্নাইনদি থাজবা ঙমগদ্রা? মতাং অসিদা অইবনা খুন্নাই অসিদা নুপীগী লাইবক তম্বা ঙমদে, মনীং অদুক হাক্লা তম্বা য়াদে হায়বদু উৎনবা হোৎনরকই। নুংশি ৱারী লীবদা নত্তনা অইবনা লমদমসিগী খুন্নাইগী মশক ফজনা উৎলি, ময়াংনা চাউবা হেল্লকপা, লমদমসিগী শেনমিৎলোন ময়াংনা পায়শিল্লকপা ফজনা উৎখ্রে। মোরে লল্লোনবী সরজুগী মমাসু মশক্লা লাং ওইদুনা মোরে লম্বীদা মনীং তম্বা ফংজবা ফজনা য়েকখ্রে। লমদমসিগী মৈতৈ নুপীগী মাঙথরক্লিবা লমচৎতা খূৎ থিন্দুনা তাল্লকপনি।

পোলোইদি তিং লাউবা পোলোই ওইখিদে। সুরেন পি ঐচ ডি লোইদুনা গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ওইরে। মণিপুর বষ্টিদগী নুপীমচা অমা লুহোংনবা শেম শারে। সরজুসু মাঙবা য়াদে খন্না কটন কলেজদা বি এ তন্নিবী মনাওনুপী থাজমানবীনা কৌশিনবদগী নর্স তম্বা লাকখি । মমানা থিল্লকখি। লুহোংবদুগা মপা চানহল্লি। সরজুনা সুরেন্দা অমদি কন্যা অদুদা সনাগী লিক অমমম খুদোল থাখি। মতাংসিদা সরজুনা মনাওনুপীদা মহাক্লা নোংমা সুরেনগা কাদা লৈমিন্নখিবা নুমিৎতুদা মাগী লুনা থমজবা ঈজৎ পীখি হায়বদু ফোঙদোক্লকই। সস্পেন্সতা থমখিবদু অপাবশিংদা তপ্না হায়দোকহল্লকই অইবনা। ফজৈ হায়নীংই। লুহোংবগী অহিংদুদনা লিক অনীদুগী ৱাহন্থোক থিরকই কন্যাদুনা । সুরেনগী থমোয় শেংবা ৱারীদু তাবদা কন্যা পৃয়োবালা পেঞ্জখি। অদুদগী অনীমক থমোয় তিন্ননা নুংঙাইবা অহিং ওনহনখি। অপাবশিংগী অপাম্বা পোলোইদি ওইখিদে। ৱারী পুল্লপ লোইশিনবীখ্রে। অপাবশিংনা খন্নবা সস্পেন্স অমতা খাকপীখিদ্রে। সরজুগা সুরেনগগী ৱারীনা পোলোই ওইহন্নিংবনি। মখোয়নীগী ৱারী লোইখিদ্রি। মখা ইবা য়ারি। সরজু জৈইন অদুনা মশা শোক্লক্তে। বদনামগী ৱানি। শেংদোক্লবা য়াবা তাঞ্জা লৈরি। সুরেনগী ফজবা লমচৎতু ৱাংনা থাঙ্গৎলগা থমদুনা করি থোক্লকপা য়াবা খনহৌনবা সস্পেন্স অমদা থনল্লবদি ওন্থোক্লা নীংঙমদবা ৱারী ওইগনি খল্লি। অদুবু অইবদা ঐখোয়না পাউতাক পীরুবা য়াদে। মাগী মাগী অপাম্বনি। মসি ফনা ওইদুনসু নোভেল অসিনা অইবা বিরেনবু নোভেলিষ্ট অমদি ওইহল্লে।

### হন্দোকপা

# ‘ঈরৈ’

## অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারীমচাগী লাইরিক ‘কান্টি কা কফন’ দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**ঙসিদি** অরবিন্দ চাউখ্রবা দিল্লি সহর অসিদা থবক থিবা কোয়চৎ চৎলি। মা নাইতোম তারে, মরোই-মনাও, মরুপ-মপাং কনাসু য়াওদনা অয়ূক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা থবক থিবা কোয়চৎ চৎলি। মফম খরদনা মাবু থৌওইবিরক্তে অদুগা খরদনা মানা পাম্বদু ফংদে। য়ক লাওনা শারবা নুংশাদু নুমিৎ খুদিংগী মায়োক্নরি। অফবা, অচৌবা পান্দম অমগীদমক মা দরভঙ্গাদগী দিল্লিদা লাকখিবনি। অহানবগী চহী অনীদি দিল্লিবু মশক খঙনবা হোৎনবদা হৌখ্রে। মাগী মাম মফমসিগী অচৌবা করবারৱালানি। মরমসিনা মাগী লৈফম-চাফমগীদমক করিসু ৱানিংঙাই লৈতে। সিভিল সার্ভিসেসকী পরিক্ষাদা মকোক ওইদবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা মফমসিদা লাকখিবনি। অহুমশুবা চহীদদি য়াম্না পূক্লিং চঙনা লাইরিক পাবা হৌরে। মাগী মমান্নবশিংনা মাবু য়াম্না কল্লকই অদুগা শকহেনবী কুরাক কয়াসু মাগী অকোয়বদা কোয়পাই পাইদুনা লৈ। অরবিন্দনা অহানবা হেক থাবদা আই এ এসকী পরিক্ষাদু মায় পাক্কনি হায়বসি মখোয়গী থাজবনি। লাইরিক পামিন্নবা অমদি খন্ন নৈনবগী খুদোংচাবা লৌরগা অরবিন্দগী মনাক্তা পাখং লৈশাবীশিং পুল্লপ-পুল্লপ পুন্দুনা লৈ। অদুবু য়ূমগী মী অমত্তনা করিসু শাউদে। মাগী মাম অমদি মনেনা মখোয়গী মমাকনুপাগী মনাক্তা লাইরিক লাইশু হৈরবা গ্যান তারবা ময়াম লাকপগীদমক থোইনদুম হরাউই। সাগরপুর মায়কৈদা মাবু ইকায়খুম্নবা হেনগৎলে হায়না খল্লি। অরবিন্দগী লাইরিক লাইশু পাবা অমদি অতৈ থবক থৌরমশিংদা থোইদোক্লা খুদোংচাদবা থোক্তনবগীদমক মাগী মামনা মীনাই অমা থম্মী, তোঙান্না... মমিং ধর্মা ...। অরবিন্দদা নত্তনা মাগী লাক্লিবা মমান্নবশিংগীসুনি... চাকসু থোংই... অচাপোৎসু লৈরুই... অপাম্বা খুদিংমক ফংহল্লি। ময়াম্না য়াম্না চাল্লি, অহিং-নুংথিল লেপ্তুনা ঘড়ীগী কাটাগুম চৎলিবা ধর্মনি ... অহল ওইজরবসু য়াম্না য়াঙই ... মশা খিঙই। কৌবগা হেক্তা থুংলবনা হাল্লি। মরক-মরক্তা আলাদিনগী থাউমৈগী জিন্ন মানশিল্লকপসু য়াওই, থাউমৈদু হেক তকপগা জিন্ন থুংলবা... “য়াথং পীবিয়ু ঐগী মপু” হায়দুনা। ধর্মাদু আই এ এস ওফিসরশিংগী মরক্তা থবক তৌই হায়বগী চাউথোকচবা অমসু লৈ।

অহানবদদি অরবিন্দদু ৱা কয়া ঙাঙলমদে, য়াম্না ইকায়থিগল্লি, তপ্না তপ্না ঙাঙই। মাগী মামদি করবার তৌবনিনা থবক য়াম্না চিল্লি। মানা অরবিন্দগী তুংগী পুন্সিগীদমক খনবসি মাগী মথৌনি খল্লি। করিগুম্বদসু অরবিন্দনা নাইতোম তাবগুম খল্লকপা য়াওরকই, মানা ময়ূম, মরুপ-মপাং ময়াম নীংশিংলকই...। মতমদুদা ধর্মানা মাবু থৌনা হাপ্পীরকই - অরবিন্দ বাবু, নঙ লাইরিক লাইশু হৈরবনি ... অদুক য়াম্না কন্না হোৎনরিবদুদি ... নঙ শোয়দনা কলেক্তর ওইগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। অসুম্না হায়রকপা মতমদা মানা মাগী পন্থুং উরকই। পূন্নমক কাউথোল্লগা লাইরিক্তা থৱায় লুপশিনবা অমুক হৌরকই। থাগদৌরিবা পরিক্ষাদা মপূং ফানা মায় পাক্লবগীদমক মাগী মামনা অরবিন্দবু অফবা কোচিং সেন্টর অমদা য়াওহল্লি। মফমদুদগী অরবিন্দগী পুন্সিগী মায়ওন হোংবা হৌরক্লে। য়াম্না চেকশিন্না মচং ওইবা ৱাফমদুতা ঙাঙই। কোচিং ক্লাসতুদা ময়ামদগী তোঙানবা, অঙকপা ৱাহং কয়া হংই। মরমসিনা মানা পূন্নমক্কী পূক্লিং চিংশিল্লি। তপ্না তপ্না অরবিন্দ ময়ামগী কল্লক্লফম ওইরক্লে। মীপুম খুদিংনা মাগা তিন্নদুনা মঙোন্দগী গ্যান লৌনবা হোৎনৈ। ... ইশানা ইশাবু থাজনা অমদি অকিবা য়াওদনা ঙাঙবা হায়বসি মায় পাক্লবগী খ্বাইদগী শোয়ফদ্রবা ৱাফমনি। মরমসিমক্লা মাগী ময়ূমদা লাকপা মমান্নবগী মশীং হেনগৎলক্লি। অনৌবা অমদি অৱাংবা ৱাখল্লোন অসিনা মীপুম খুদিংবু পেলহল্লি। অদুবু ধর্মানা মরক-মরক্তা তুমিন্না হায়- বাবু ঐদি লাইরিক লাইশু হৈতবনি... ঐনা অরানবা তৌখ্রবসু ঐবু ঙাকপীয়ু... অদুবু সিমতংদি হায়জনীংই... মফমসি দিল্লিনি... অদুগা ... নোংমনা কনককা... নোংমনা মীনাক্ষীগা অহিং য়ারেকমিন্নবসিদি ফত্তে। অহানবদদি অরবিন্দনা ৱাফমদু থৈদোক্লবা হোৎনৈ... অদুদগী ধর্মাবু চৈরকই ... ধর্মানা উপায় লৈতনা তুমিন্না মাগী মথৌ তৌদুনা লৈখ্রে।

সিভিল সার্ভিসেসকী অহানবা তাঙ্কক্কী পরিক্ষাদা অরবিন্দনা পূন্নমক্কী মকোক্তা লাক্লে । মায়কৈ পূন্নমক্তগী থাগৎ ৱাহৈ কয়া লাক্লি...। দরভঙ্গা অমসুং দিল্লি মাগীদমক্তদি সর্গ ওইখরে। মরুপ-মপাংশিংনা মাবু লেপ্তুনা পার্টি পীরি ... অমুকনা মৌর্য্য হোটেল, অমুক্লা তাজ, অদুগা অমুক্লা ... নুমিদাং খুদিংগী নোংমনা কনকা ... নোংমনা মীনাক্ষী অদুগা নোংমনা ...। ধর্মানা মানা তৌরিবদু য়াম্না পামজদে অদুবু মাগী মবুংঙোসি দেপ্যুটি কলেক্তর ওইরনি হায়বসি খনবদা মা য়াম্না হরাউজৈ। অদুবু অদুক নক্লজরম্বদু খরা অমুক কোয়নরক্লে লোয়ননা পামদবা অকিবা অমনা মাগী মকোক্তা চুখরে। অদুনা নুমিদাংদদি অরবিন্দনা কৌরক্লবা কান্দদা মনাক্তা চঙলে, নৎত্রবদি মীনাক্ষী নৎত্রগা ... অতোপ্পা অমনা চৈরক্কদরা হায়না কিরে। হান্নদি অরবিন্দগী কাদগী ধুপকী নুংশিবা মনম লাক্লম্বনি অদুবু হৌজিক্তি য়ু অমদি চুরুট ... অতৈ ... অতৈ। অমুক্তি মানা লৈজবা পাঙ্গল পূম্বা পুথোক্লদুনা হায়রুই - অরবিন্দ বাবু ... নুমিদাংদা...। মবুংঙোনা মাবু চৈরকই...“ধর্মা, ৱা হায়দ্রিঙৈদা হান্না খন্থৌ।” মসিগী মতুংদগীদি মা বাপুজীগী মতৌগুম ৱা ঙাঙখিদ্রে।

অরোইবা তাঙ্কক্কী ইন্টর্ভির্যুদদি অরবিন্দ পুমলোয় লোইরে, হোৎনজবা পূম্বা অরেম্বদা তারে। থা কয়ামুক কনামত্তা উনদনা লোৎতুনা লৈখ্রে। পূন্নমক্কী অঙকপা হায়বদু ওইখরে, করিনো অরবিন্দনা তৌরিসিবো? তশেংনমক্কীদি মপূং ওইবা তাঙ্কক্কী পরিক্ষাগী মতুংদগীদি কা মনুংদা থোঙ লোনশিল্লগা অমা নৎত্রগা অমগা অদুম লৈমিন্নৈ। অরবিন্দনা মফম খঙদনা মাঙখিবদা মাম-মনে অমদি দরভঙ্গাগী মাগী ইমুং-মনুং লোয়না মথৱায় ৱানরে। কদায়দবু চৎখ্রবনোনে...? নোংমদি ধর্মানা চাকখুমগী পোৎ-চৈ লৈনবগীদমক আজাদপুর কৈথেলদা চৎলুই। খঙহৌদনা মানা অরবিন্দবু উরে। ঙাইহাক্তুদা ধর্ম পূন্নমক কাউখরে অদুগা অরবিন্দবু কোল্লগা হিক্লা হিক্লা কপ্পা হৌরকই... বাবুজী ... মী পূন্নমক লোয়না থৱায় ৱানরে... য়ূমদা হল্লসি ... মপু ইবুংঙোনা পূন্নমকপু থৌজানবীগনি। অরবিন্দ য়ূমদা হল্লক্লে। অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি পূক্লিং চঙবগা লোয়ননা, হান্নগী মতৌগুম ওইরক্লে। য়াম্না খন্ন-নৈনবা, অমগা অমগা ৱাখল ফোঙদোক্লবা ...। ধর্মাসু অরবিন্দগী মতৌদুদা পাখৎপা ফাওদরে... লোয়ননা হরাউরে। অদুবু কুইদে, ধুপকী মনমগী মহুত্তা মনমদু অমুক লাকপা হৌরে... ধর্মানা হন্দক্তি খাঙবা ঙল্লরোই, শোয়দনা হায়রগে খল্লে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মাগী মচাগুম্বনি...। অদুবু মা করিমত্তা হায়বা ঙমদ্রে। মপুগা মীনাইগগী মরীনি ...? মদুগী মহয় ওইনা অরবিন্দ অনীরক হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদরে। মরুপ মপাং পূন্নমক কায়নরে। মামগী মনাক্তসু মাগী চঙজফম লৈত্রে। অরেপ্পা লৈফম অমা লৈত্রে। নুমিৎ চুপ্পা হাংলবা পুক্লা দিল্লিগুম্বা মফম অমদা অফবা থবক থিবা হায়বসি অমম্বদা হৌদোং অমুবী থিবগুম্বনি। নুমিদাংদা জমুনা তুরেলগী মথক্তা শাবা থোংদুগী মথক্তা ৱাখল খন্না-খন্না চৎলি... ঐনা মতমবু থৌওইরুদ্রে... হৌখ্রবা মতমদি কৈদৌঙৈদসু অমুক হল্লক্লরোহৈ... ধর্মানা হায়খিবদু অচুম্বনি... চেকশিল্লু বাবুজী... ঐনদি করি ঙমগনি... ঐদি মীনাইনি... ইমাগুম ঐগীদমক্তা কয়াম্না খনবীখিবা... খজিক্তং কৌবদদা ধর্মানা হান্না থুংলৈ... “বাবুজী ... করি তৌজরকউগে...।” অদুবু মাদি নিশাগী ময়ায়দা লাইচুদুনা হন্দোকপা ঙমদ্রবা ঈরৈ অমদা লুপ্লুরে...। হৌজিক্তি ঐ কৈদৌনি ... পুন্সিসি অরেম্বনি ... অসুম খন্না লাকপদা খঙহৌদনা জিন্নগী মতৌগুম ধর্মাগা হেক থেংনরে। “অরবিন্দ বাবু...।” ধর্মাগী খোঞ্জেলদুদা য়াম্না নক্লবগী খোম্থোক অমা য়াওরি। অরবিন্দ খাঙবা ঙমদ্রে, ধর্মাদা কোনশিনখরে, ৱাহৈগী মহুৎতা পীরাংনা মহুৎ শিল্লে...। ... কৈসু কায়দে ... ঐ লৈরিসিদি... লাইরিক অদুক হৈরিদুবু অনৌবা পুন্সি অমা অমুক হৌরগা লোইরেদনা... ঐগী পৈশা খরা লৈ... লৈনবা য়ূম লৈ... অনৌবা মীরোল অমবু শেমদুনা কলেক্তর ওইহনবা ...। অরবিন্দনা মা মশাবু ঈরৈদগী নাম্থোক্লবগুম খঞ্জরম্মী।